ঙসিগী ৱাশি ফল

মেষ : ৱাখলনা অমা খল থবক্লা অমা ওইরকপা নিংবা থুংবা ৱাৎপা ওই।
বৃষ : মরুপ মপাংগা পুন্না মরৈ তৌনবা নুমিৎ ওই।
মিথুন : গাড়ীগী থবক্তা শেল চৎপা, নিংবা থুংবা ৱাৎপা ওই।
কর্কট : ফম হোংদোক হোংজিন তৌবা নুংঙাইবা নুমিৎ ওই।
সিংহ : লমদা চৎপা অনৌবা মরুপ উনবা নুমিৎ ওই।
কন্যা : ইমুং-মনুং ৱাখল মানদবা নুমিৎ ওই।
তুলা : লৈকাইগী থবক থৌরমদা মতম মাংবা নুমিৎ ওই।
বৃশ্চিক : মথৌ চিনবা, থৌদোক য়াম্বা, শেল চৎপা ওই।
ধনু : করবারদা কানবা ৱাৎপা, নিংবা থুংদবা ওই।
মকর : লুহোংবা, মচা মশু ফংবা নুংঙাইবা নুমিৎ ওই।
কুম্ভ : অনৌ-অনৌবা পোৎচৈ লেপশিনবা নুমিৎ ওই।
মীন : অহাও-অথুম চামিন্নবা নুংঙাইবা নুমিৎনি।

ফিল্মগী ট্রেনিং সেন্তর থম্বা তঙাইফদে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : মণিপুরগী ফিল্মগী কৈথেল পীকচরবসু লৈজরিবা অর্টিষ্ট খরসিনা তৌজরিবা খরদা লৈবাক্কী কম্পিটিসন কয়াদা মনা লৌবা ঙল্লী। মসি ফাওবা অর্টিষ্টশিং অসি স্কুলশিং ওইনা তম্লকপা অমত্তা য়াওদ্রি। করিগুম্বা স্কুলিং নাইনা তম্লবদি মালেমদা মণিপুরগী অর্টিষ্টশিং মশক থোক্কনি। মরমসিনা ফিল্মগীদমক ষ্টেটসিদা ট্রেনিং সেন্তর অমা থম্বা মথৌ তারে হায়না ফিল্ম দাইরেক্তর চান্দ হৈস্নামনা হায়খ্রে।

ৱাফমসি ঙসি নিউ চেক্কোনদা লৈবা রোনিকা দিজিটেল ষ্টুদিওদা পাঙথোকপা তা অহল ফিল্মসকী মঙাশুবা ফিল্ম মেরা থাগী শনারৈগী য়াইফ থৌনিগী থৌরমদা চিফ গেষ্ট ওইনা ফোঙদোকখিবনি। ফিল্ম অসিগী দিরেক্তরনা কে এস ঐচ কিশ্বরকুমারনি। ষ্টোরি, স্ক্রিনপ্লে অমদি প্রদুসরনা অনুপনি। ফিল্মসিদা কাইকু, বালা, মেম্মানচিংবা অর্টিষ্টশিংনা শরুক য়াগনি।

কোম্বী ওপরেসন চথখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : ঙসি অয়ুক ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লালহৌবা নহারোলশিং লৈরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা পাউ ফংবগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো য়াওনা ওপরেসন চথখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নিউ চেক্কোন, পুরৈলোম্বা খোংনাংখোং অমসুং সসাদ এভেন্যুগী এরিয়াশিং অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পিগী সুপরভিজন মখাদা এদিসনেল এসপি, কম্মান্দো অমসুং ৫ শুবা আই আর বি গী অপুনবাকম্বাইন্দ ফোর্সনা কোয়শিন্দুনা থম্লবা মতুং ৫ রোম তাবা অদুৱাইদগী মনাক নকপা এরিয়াশিংদা হোয়দোক্লগা অমমতং ওইনা ভেরিফিকেসন চথখি। মদুদা চিংনবা মীওই ১০ রোম য়াওরম্বদগী পুলিস ষ্টেসনদা পুখৎতুনা মখা তানা ভেরিফিকেসন চথবদা মরাল লৈরমদবদগী অথেংবদা থাদোকখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উরিপোক হাওবম দেৱান লৈকাই অমসুং সিনাম লৈকাইগী এরিয়া খরদসু কম্বাইন্দ ফোর্সনা অয়ুক অঙনবদগী কোয়শিন্দুনা থম্লবা মতুং ওপরেসন চথখি। অদুম ওইনমক মীফা মীপুনদি য়াওখিদে।

S.S.B. Volunteers শিংদা খঙহঙ্ঙবা

All Manipur S.S.B. Volunteers Trainers Assn. না S.S.B. Advance Course Traning চৎলুরবা Volunteers নুপা-নুপীশিংদা ইশা-ইশাগী document শিং summit তৌহৌদবা য়াওরগদি লাক্লিবা মার্চ তাং ২৫-২০১৪ ফাওবগী মনুংদা ইশা-ইশাগী Bio-Data শিং পীশিনবীনবা Assn. অসিগী Publicity Secy. না থোক্লকপা চেরোল অমনা খঙহঙ্ঙরি। লোয়ননা হান্না লৈরম্বা Assn. অসিগী Temporary Office অসি RIMS Road Nityainanda Prabhu গী complex তা ওইনা হোংজিনজরে। অকুপ্পা মরোলগীদমক অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা ওফিসতগী খংবীবা য়াগনি।

N.B:- হায়রীবা Date line অসিগী মতুংদা লাকপা document শিং Assn. না অমুক লৌররোই।

# 9862111318
# 9862523855
# 9856211279

Sh. Sanjay Singh
Secretary Publicity
All Manipur SSB Volunteers
Trainers Association.

NT/58999/15

[illegible]/ M/S BEE BRICK FIRM
HEAVY DISCOUNT
Wangjing Sabal Checkon Leikai

Class	Rate	No.Brick	Amount	Gari Charge	Labour Charge	Total Amount
1st	Rs.9.50	3000	Rs.28,500	Rs.3,000	Rs.600	Rs.32,100
1st	Rs.9.50	2000	Rs.19,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.21,400
1st	Rs.9.50	1500	Rs.14,250	Rs.1,500	Rs.300	Rs.16,050
2nd	Rs.9.00	3000	Rs.27,000	Rs.3,000	Rs.600	Rs.30,600
2nd	Rs.9.00	2000	Rs.18,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.20,400
2nd	Rs.9.00	1500	Rs.13,500	Rs.1,500	Rs.300	Rs.15,300
Rej	Rs.8.00	3000	Rs.24,000	Rs.3,000	Rs.600	Rs.27,600
Rej	Rs.8.00	2000	Rs.16,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.18,400
Rej	Rs.8.00	1500	Rs.12,000	Rs.1,500	Rs.300	Rs.13,800
Peti	Rs.7.00	3000	Rs.21,000	Rs.3,000	Rs.600	Rs.24,600
Peti	Rs.7.00	2000	Rs.14,000	Rs.2,000	Rs.400	Rs.16,400
Peti	Rs.7.00	1500	Rs.10,500	Rs.1,500	Rs.300	Rs.12,300
3rd	Rs.3.70	3000	Rs.11,100	Rs.3,000	Rs.600	Rs.14,700
3rd	Rs.3.70	2000	Rs.7,400	Rs.2,000	Rs.400	Rs.11,400
3rd	Rs.3.70	1500	Rs.5,550	Rs.1,500	Rs.300	Rs.9,800
Checteck	1 Load	4,200		1,500	300	6.000

Contact:
Kanta # 9615839170, Yaima # 9615002257, Ratan # 9856916762, Bikom # 9856479022.
M/S BEE BRICK FIRM, Wangjing Sabal Checkon Leikai
NT/58198/1 to30 march.

ইন্টরনেস্নেল রিভর্স দেগী থৌরমদা মণিপুরগী তুরেলশিং য়োকখৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : মালেমগী লৈবাক পুন্নমক্তা পাঙথোকপা থৌরম অমা ওইনা ঙসি মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা খুৎশম্নদুনা ইন্টরনেস্নেল রিভর্স দেগী থৌরম উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী রিহা ভিল্লেজদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা চেল্লিবা তুরেলশিং অসি য়োকখত্নুনা থম্লগা লমদম অসিদা হিংলিবা মীয়ামগী পুন্সিগা থাদোক্নবা য়াদ্রবা পোৎচঙ অমা ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

মপিথেল দাম এফেক্টেটেদ ভিল্লেজরস ওর্গেনাইজেসন (এম দি এ ভি ও), সিটিজন্স কন্সর্ন ফোর দামস এন্দ দিভলপমেন্ট (সি সি দি দি), কম্মিটি ওন দি প্রোটেক্সন ওফ নেচরেল রিসোর্সেস ইন মণিপুর অমসুং সেন্তর ফোর রিসার্স এন্দ এদভোকেসি মণিপুর হায়রিবা লূপশিং অসিনা পুন্না পাঙথোকমিন্নখিবা থৌরম অদুগী মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমদা সেন্তর অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্ট অনিগী মায়কৈদগী পায়খৎলক্লিবা তুরেলশিংগী মহৌশাগী ফিভমদা অকায়বা থোকহনবা য়াবা দাম শাগৎপনচিংবা থৌওংশিংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সি সি দি দি গী কো-কনভেনর আরাম পামৈনা রিসোর্স পার্সন অমা ওইনা হায়খি, তুরেলশিং অসিনা মীওইবগী পুন্সি হিংবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরি। অদুবু মপিথেল দাম অমসুং মেগাৱাত ১৫০০গী টিপাইমুখ দাম অসিনচিংবা অচৌবা দাইদ্রো পৱারগী প্রোজেক্ট কয়ামরুম লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলকপা অসিনা মীয়ামগী পুন্সিদা খুদোংথিনিঙাইগী মশক ওইহল্লক্লি।

মরম অসিনা তুরেলশিং অসিবু গভর্নমেন্ট অমসুং শেন্দোং তানবগী ৱাখলনা মাঙওইনবা কোর্পোরেট বোদিশিংগী মখুত্তগী কলহৌনবা হোৎনবা হায়বসি ঙসিগী মীরোলনা তঙাইফদনা পায়খৎফম থোকপা থবক অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

এম দি এ ভি ওগী মেম্বর থানমী কাশুংনা, তুরেলশিংদা দাম কয়ামরুম শাগৎলকপগী ৱাফমদা পাউথোংফম ওইদুনা অসিগুম্বা দামশিং অসিনা শোকহল্লবা খুঙ্গাংশিংগীদমক্তা গভর্নমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা পোলিসি অমসুং প্রোগ্রামশিং অদুদা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

লাইফৱাটচকী সেক্রেটরি জেনরেল রাজেশ নিংথৌখোংজম্না থৌরম অদুদা হায়খি, মীয়ামগী পুন্সিদা অকায়বা থোকহনগদবা চাউখৎথৌরাংগী খোঙথাং খুদিংমক য়াম্না কুপ্পা নৈনফম থোকই। সেন্তর ফোর রিসার্স এন্দ এদভোকেসিগী প্রেসিদেন্টসনাতোন লাইশ্রমনা মণিপুরগী মীয়াম্না খুন্দারিবা লম, তুরেল, ৱেটলেন্দশিং অমসুং উমং-ৱামংনচিংবা মফমশিং অসিদা হিংননবগীদমক্তা শাইদাংলিবা মীওই ফুরুপ পুন্নমক্কী তুং-কোয়না চংনবা য়াগদবা পোলিসি অমা পুথোকমিন্নবগী তঙায় ফন্দবা অদু ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ মঙাসু লৌখি, ৱারেপশিং অদুদি, থৌবাল রিভর (য়াংবুই কোং) অসি তুরেল অসিগী মনাক্তা খুন্দারিবা মীয়ামগী পুৱারি, নাৎ, পুন্সি অমসুং শক্তমগা মরী লৈনবা মরম্না য়োকখত্নুনা থমগদবনি, ঐখোয়না থৌবাল রিভর অসিবু ঙাক-শেন্দুনা মহৌশাগী মতৌগুম্না লেপ্পা নাইদবা ঈচেল চেলহনগনি, থৌবাল রিভর মনীংতম্না চেলহল্লু হায়বা খোল্লাউ অসি লাউরি অমসুং মপিথেল দাম অসি মীয়ামগী অনিংবা অমসুং অপাম্বগী মতুং ইন্না রিভ্যু তৌদুনা শেমদোক্কদবনি হায়রিবশিং অসিনি।

ব্লদ দোনেসন পাঙথোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪: অনালাইয়েংগা মরী লৈননা কনাগুম্বনা ঈগী দরকার তারকপা লমদম অসিগী হোস্পিটালশিংনা ঈ মরাং কাইনা পীবা ঙমদ্রিবসি খরদং ওইরবসু কোকহনবা পান্দমদা অহানবা ওইনা ইম্ফালগী কোনুং মনুংদা লৈবা এদভান্স স্পিসিয়েলিটি হোস্পিটালনা লম্ফেলদা লৈবা রিমস হোস্পিটালগী ব্লদ বেঙ্ক দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ঙসি এদভান্স হোস্পিটালদা পাঙথোকখ্রে।

এদভান্স স্পিসিয়েলিটি হোস্পিটালগী ষ্টাফ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুগা মরী লৈননা হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা: কে গুনাবন্তানা হায়, ঈ হায়বসি মীওইবগী হীংবদা চংবা য়াম্না মরু ওইবা মচাক অমনি। ঈ বোটল অমনা মীওই কয়া হীংবা ঙম্মী হায়নরিবনি। মসিগুম্বা কয়াসি লৈবনা হোস্পিটাল অসিনা ঈ দান তৌবসি তঙাইফদবনি খঞ্জদুনা ঙসিগী থৌরম অসি অহানবা ওইনা পায়খৎচবনি। মখা তানসু পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি।

কনাগুম্বা ঈ দান তৌরবদি হকচাং শোকই হায়বা অরানবা ৱাখল থাদোক্তুনা হকচাংগী ফিভম য়েংবীরগা ঈ দান তৌবিদুনা মীওই লীশিং কয়াগী পুন্সি কনবদা মতেং পাংবীয়ু। ঈনা মীওইবগী থৱায়নি হায়বসি খনবীদুনা ঈ দান তৌবিনবা ডা: গুনাবন্তানা মখা তানা আপিল তৌরি।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মেলা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : ঙসিদগী হৌরদুনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথগদবা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মেলা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তখেলদা লৈবা তখেল হায়স্কুল গ্রাউন্দদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট, পোরোম্পাৎ অমসুং টি ৱাই দব্লিয়ু ও তখেলগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপা হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা, চীফ গেষ্ট ওইখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সি ঐচ এ এস, এম জয় না হায়খিবদা, হকচাং ফবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গীদমক্তা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওই। অসিগুম্বা মেলা অসিদা প্রজাশিংনা থোরক্তুনা হকচাং ফবা, লৈনা-তিন্না চেন্দবা খুন্নাই অমগীদমক্তা শরুক য়াদ্রবদ মেলা অসি পাঙথোকপগী অর্থ লৈতে হায়খি।

হেলথ মেলা অসিদা মপুং ওইনা মেদিসিন, পেদিয়াত্রিক, ও বি এস এন্দ গাইনি, দেন্টেল, ওরথো/ সর্জরি, ই এন টি, আই অমসুং অয়ুসকী ও পি দি শিং হাংদুনা মীওই চা কয়াদা লায়েংবা হৌখ্রে। থৌরম অসিগা লোয়ননা এক্স-রে, লেব-টেষ্টটিংনচিংবা টেষ্ট কয়াসু ফ্রিদা পাঙথোকখি।

দিসিনা কেস লৌখৎনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : হৌখিবা মার্চ ১২ দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়টকী মেম্বরশিংনা মখোয়গী দাবী তাল্লদুনা দিপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবালদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা লাকপদা দিসি ওফিসকী গেট মনাক্কী ৱালদা য়েকপা এমজিএনআরইজিএস কী এৱার্নেসকীদমক য়েকপা ফোটোশিং অমুবা রংনা য়েকশিল্লম্বা অমসুং হোর্দিং কয়া শেগায়রম্বগী মতাংদা দি সি থৌবাল শ্রী টি রঞ্জিৎনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা পুলিস ষ্টেসনসিগী ওসিদা অইবা চেরোল থাদুনা এন্টি সোসিয়েল ওইবা মীওই অদুগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। লোয়ননা থৌবাল পুলিসনসু থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা মদুদা চেন্নবশিং ফাননবা আই ও দা শিন্নখ্রে হায়রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR HEINGANG, IMPHAL WEST

Ref: Mutation Case. No. 296/SDC/Hng/IE/2014

1. Konsam Jugindro Singh S/0 (L) K. Kullachandra Singh of Khurai Konsam Leikai.
2. Konsam Raghu Singh S/o (L) K. -do-... Petitioners

-Vrs:-

(L) Konsam Kullachandra Singh S/o (L) K. Madan Singh of Khurai Konsam Leikai.

... O.P.s

NOTICE

Date 14/3/2014

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহলশিল খুল নং ১৩-কোনসম লৈকাইদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং ৫৫ অনৌবা পাট্টা নং ১২ দাগ নং ১২৮ এরিয়া ৫৮ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মচা নুপাশিং অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Heingang, Imphal East

NT/59005/15

লেংশিনবিরকউ লেংশিনবিরকউ

BOOK FAIR, VEGITABLE SHOW CUM MELA

Samurou Kangjeibung দা 15th March দগী 10th April ফাওবা United Voluntary Youths Organisation, Samurou গী নৌনা শাগৎচরিবা Office Building অসিগীদমক শীনজরিবা MELA অসিবু লৈবাক মীয়াম্না মীৎয়েং তাবীদুনা ক্লব অসি শাবা লোইশিনবদা লৈবাক মীয়াম্না পুকচেল চাওনা মতেং পাংবীয়ু হায়জরি।

নোল্লুকচরিবা:-
Y. Meghachandra
Secy. General, UVYO, Samurou

NT/59002/15

IN THE COURT OF THE CHIEF JUDICIAL MAGISTRATE, IMPHAL WEST; MANIPUR

Cril. (P) Case No. 30 of 1997/201/2013
Ref:- FIR Case No. 18(3) 193 LSG.PS
U/s 121/121/A IPC, 25(1-A) Act & 13 UA (P) Act
PROCLAMATION
REQUIRING THE APPEARANCE OF A PERSON ACCUSED
(Section 82 of the Code of Criminal Procedure)
....

1) Name, designation: WHEREAS, complaint has been made before me that (1) Yanglem Nobinchadra @ Tiken Singh aged about 32 years, S/o Ibotombi Singh of Luwangsangbam Mayai Leikai, P.S. Heingang has committed/ or is suspect to have committed the offence of abducting and wrongfully concealing punishable U/S 121/121/-A IPC, 25(1-A) Act & 13 UA(P) Act.
2) Name of the accused: and it has been returned to a warret of arrest there upon issued that (2) Yanglem Nobinchandra @ Tiken Singh aged about 32 years, S/o Ibotombi Singh of Luwangsangbam Mayai Leikai P.S. Heingang cannot be found, and whereas it has been proved to my satisfaction that the said (2) Yanglem Nobinchandra @ Tiken Singh aged about 32 years S/o Ibotombi Singh of Luwangsangbam Mayai Leikai P.S. Heingang has absconded/or is concealing himself toavoid the service of the said warrent.
Proclamation is hereby made that the said (2) Yanglem Nobinchandra @ Tiken Singh, aged about 32 years S/o Ibotombi Singh of Luwangsangbam Mayai Leikai, P.S. Heingang. 3) Place is required to appear at (3) Cheirap Court complex Imphal, Manipur before this Court to answer the said complaint on the 24th day of April, 2014.
Date, this 11th day of March, 2014

(R.K. MEMCHA DEVI)
Cheif Judicial Magistrate, Imphal West

NT/58965/15

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তখেলদা লৈবা তখেল হায়স্কুল গ্রাউন্দদা নুমিৎ ১৫নি চুপ্পা চথগদবা হেলঠ মেলা হৌদোকপগী থৌরম

বেঙ্কর ক্লিয়ারিং হাউস হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দি সি শ্রী টি রঞ্জিৎনা ঙসি দি সি ওফিস কমপ্লেক্সকী এস বি আই থৌবাল ব্রাঞ্চকী কমপ্লেক্সতা বেঙ্কর ক্লিয়ারিং হাউস অমা হৌনবী মতুংইন্না হাংদোকখ্রে।

ক্লিয়ারিং হাউস অদু হাংদোকপগী থৌরমদা দি সি রঞ্জিৎনা হায়খিবদা, ক্লিয়ারিং হাউস অসি লৈরবনিনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্না ইম্ফালদা মতম চংনা পৈশা কায়থোক কায়শিন তৌবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরম্দু কোক্লগনি হায়খি।

এসবিআই জোন ফাইভকী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর থাংবোই লুমকিন্না হায়খিবদা, ঙসিগী ক্লিয়ারিং হাউস অসি দি সি থৌবালনা কন্না হোৎনবদগী হাংলিবনি। ক্লিয়ারিং হাউস অসি অথুবা মতমদা মতমগা চুনবা ক্লিয়ারিং হাউস অমা ওইহন্নবা হোৎনরগনি হায়খি। পনবা য়াবদি ঙসিগী থৌরম অদুদা এসবিআই থৌবাল ব্রাঞ্চকী চিফ মেনেজর সুদিপকুমারসু য়াওখি।

ষ্টেট মাইনোরিটি কম্মিসনগী চেয়ারমেনগী মতম শাংদোকপা য়ারোই: এম এম দব্লিয়ু ও

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মার্চ ১৪: ইং ২০০৪দা লিংখৎখিবা মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিটিজ কম্মিসন (এম এস এম সি) অসিনা হৌখিবা চহী কয়া অসিদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মাইনোরিটিশিংগী চাউখৎনবগীদমক্তা শীংথানবা য়াবা করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌখিদ্রিবা মরম্না কম্মিসন অসি হেক লিংখৎখিবদগী ঙসি ফাওবদা চেয়ারপার্সন ওইদুনা লৈরিবা থবক্তগী পোখারবা আই এ এস ওফিসর, এ হেলিম চৌধুরিগী থবক মতম অসি মখা তানা শাংদোকপা য়ারোই হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়ার ওর্গেনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) য়াওনা তোঙান তোঙানবা মুস্লিম ওর্গেনাইজেসন কয়ানা অথিংবা থম্লক্লি।

য়ুনাইটেদ মুস্লিম দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন, পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গেনাইজেসন, মণিপুর, ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন, ওল মণিপুর মুস্লিম ৱুমেনস’ কলচরেল ওর্গেনাইজেসন অমসুং এম এম দব্লিয়ু ও হায়রিবা লূপশিং অসিগী প্রেসিদেন্টশিংনা পুন্না শহী তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি, এম এস এম সি হায়বসি মতম পুম্বদা মেজোরিটি ভোটনা ৱারেপ লৌরিবা গভর্নমেন্টতা করিগুম্বা মখল অমত্তগী শরুক য়াবা ফংজদবা মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগী য়াইফনবগীদমক্তা মণিপুর গভর্নমেন্টনা লিংখৎখিবনি।

অসিগুম্বা কম্মিসন অসিবু মথৌ চুম্না তৌহন্নবগীদমক্তা নহা ওইরিবা, মথৌ মশক খঙবা, কথোকপা, শেঞ্জা-থুমজা তৌদবা অমসুং খুনাইগী খনবা মীওই মথৌ তাই। অদুবু ইং ২০০৪দা কম্মিসন অসি হেক লিংখৎখিবদগী ঙসি ফাওবা চেয়ারপার্সন ওইদুনা লাক্লিবা এ হেলিম চৌধুরি, থবক্তগী পোখারবা আই এস ওফিসর অসিদি মশাগী চহী ৯০ হেল্লক্লে। থৌওং অসি ষ্টেট অসিদা হায়রিবা ফম অসি পায়বা ঙম্বা মতিক চাবা মীওই অমত্তা মুস্লিমশিংগী মরক্তা লৈতবগুম থোক্লে।

অমরোমদা, কম্মিসন অসিগী রুল অমসুং রেগুলেসন লৈজদবগুম্ন সু উরে। অসিগুম্বা থৌওং অসি নুংনাংনিঙাইগী মশক্লি হায়না লূপশিং অসিনা ফোঙদোরক্লি।

নেস্নেল অমসুং ষ্টেট কম্মিসন পুম্নমক্কী ওইনা মেম্বর অমদি চেয়ারপার্সন্না ওফিস পায়বগী মতম অসি শুপ্পগী চহী অহুমখক্তনি। অদুবু এম এস এম সি অসিগী মতাংদদি চেয়ারপার্সনগী মতম অসি মহাক্না হেক হিংলিবমখে থবক তৌহল্লবা য়াবগী ফিভম অমদা উরি। ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা ইন্সটিট্যুসন অসি মতম অমদা শক্তি পায়বা লৈবাক্কী মীহুৎশিংবু শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নখিবা থবক্তগী পোখরবা অমসুং মশাগী চহীনা নল্লবা ব্যুরোক্রিয়েট ওফিসর অমসুং রেষ্ট হাও অমা ওইনা উবা ফংনরে।

অসিগুম্বা মীওই অসি মশাগী পৱারশিং অদু মনীংতম্না শীজিন্নবা ঙমদ্রবা মরম্না ওটোনোমস ইন্সটিট্যুসন অমগী মকোক ওইহনবদা মতিক চাদে হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এম এস এম সিনা পাঙথোকফম থোকপা মশাগী মথৌ অদু পাঙথোক্তবা মরম্না ইন্সটিট্যুসন অসি নৌনা শেমদোক-শাদোক্লবতদা মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগীদমক্তা কান্নবা ফংহনবা ঙমগনি। মরম অসিনা গভর্নমেন্টনা হৌজিক ফম পায়রিবা চেয়ারপার্সনগী থবক মতম অসি নীয়মগী ৱাংমদা মখা তানা চহী অহুম শাংদোক্লবা হোৎনরিবা অদু লূপশিং অসিনা য়াবা ঙম্রোই।

মীওই অসি ফম অসিদা চহী ১০ মপুং ফানা থবক তৌরক্লবনি। মহাক্কী মহুত্তা মণিপুরী মাইনোরিটিশিংনা মায়োক্নরিবা ইশু কয়াবু মশক মুন্না খঙলবা শরুকইরবা মুস্লিম সোসিয়েল ৱার্করশিংগী মরক্তগী মতীক চাবা মীওই অমা খনবিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা অরোইবদা গভর্নমেন্টকী মফমদা আপিল তৌরক্লি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লালহৌবা মঙা ফাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : থা অসিগী ১১ অমসুং ১২ দা ইন্দিয়ানা আর্মিগী য়ুনিট অমা ওইরিবা রেদ শিল্ড দিভিজন্না চথখিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসনশিংদা য়ু জি গ্রুপ খরগী খুৎলায় পায়বা কেন্দর মঙা ফাখ্রে হায়না পি আর ও, দিফেন্সনা ফোঙদোরক্লি।

রেদ শিল্ড দিভিজনগী লান্মীশিং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দোশিংনা থা অসিগী ১১গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবদা লমশাং এরিয়াদা চথখিবা অপুনবা ওপরেসন অমদা প্রিপাক্কী সেল্ফ-ষ্টাইল প্রাইভেট থিংনাম অবুং অমসুং কে ৱাই কে এলগী সেল্ফ ষ্টাইল কোর্পোরেল লাইশ্রম গান্ধী হায়রিবা কেন্দর অনি অসি পিষ্টল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু অমা অমসুং মোবাইল ফোন অনিগা লোয়ননা ফাখ্রে হায়রি। নুমিৎ অসিমক্তদা য়ু আর এফ কি ওইনাম উমেন সিংহ কৌবা এক্তিভ কেন্দর অমসু অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা ঙাইখোং খুন্নৌ বস ষ্টেন্দগী চইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমগা লোয়ননা ফাখি হায়নসু পি আর ও দিফেন্সকী পাউ অসিনা মখা তারি।

মার্চ ১২ অমসুং ১৪দা চথখিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসন অনিদসু রেদ শিল্ড দিভিজনগী লান্মীশিংনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোনে ভিল্লেজদগী নিঙলুং রোংমৈ কৌবা এন এস সি এন (কে)গী সেল্ফ ষ্টাইল কোর্পোরেল অমা নাইন এম এমগী পিষ্টল অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু মরি, অদুগা পঙ্ক (অজাদ) ফেক্সনগী সেল্ফ ষ্টাইল কোর্পোরেল মু: আকবর অলি কৌবা মীওই অমসু লমশাং এরিয়াদগী পিষ্টল অমগা কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫গা লোয়ননা ফাখ্রে হায়রি। ফাররবা মীওইশিং অসি পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



11th THONGAM BINO DEVI MEMORIAL MARATHON RACE 2014
[illegible] (Men's Open) [illegible]
On 19 March 2014, Wednesday
Organised by
Thongam Bino Devi Memorial Trust & Friends' Union Club
Singjamei Makha Khongnang Pheidekpi, I/W
First Prize - Rs 10,000 + Citation
Second Prize - Rs 5000 + Citation
Third Prize - Rs 3000 + Citation
And Consolation Prizes for all the Participant Athletes.
Form Available at : 1. Rajesh Travels, GM Hall
2. Manjun Xerox, Kakwa Bazar
3. Sindam Paper Mart, Singjamei Bazar
4. GNS Agency (Tyre Shop), Canchipur
5. Friends' Union Club, Khongnang Pheidekpi
For Details Pliz Contact: 08974764326,08974155939 and 09612694204
NT/58987/14,15

খুলগী ৱাথোক খুলনা লোইশিনসি

হৌখিবা তাং ৮-৩-২০১৪ ইং নহারোলগী থৌদাংগী নিয়ুজ পেপর দা য়ুমৈ থাদোকপীখ্রে লমচৎ নাইদবী তাহনবীরে হায়না পনখিবা colum অদুগী মতাং করিগুম্বা খরদং শেংদোকচরি মদুদি, মীয়াম চংদুনা তুম্না মৈ থাদোকপীখ্রে, লমচৎ নাইদবীসু তাহনবীরে হায়রিবা ৱাফমসি খুলগা মরী অমত্তা লৈনদে, মসিদি খুলদা বদনম তৌবনি অমসুং খুলবু শিংনবনি। মরমদি য়ুম মৈ চাকপা নুমিৎ অদুগী নুমিদাং ৱাইরমদা মহাক্কী মনাও নুপা Md. Mahibur Rahaman গী নুপীবু Wangkhem Bazar দগী চংলকপা মতমদা Athoi অমসুং মহাক্কী মচানুপীনা মীরোলদুনা মশা শোন্দুনা লৈরীবি নুপী অদুবু শিবা য়াবা মওংদা ফুবীখি, মফমদুদা উবা নুপী খরানা কনখি, ফুবিরীবা অদুৱাইদা মীওই খরাসু উনবা য়াওখি। কল্লীবা মীওইশিংদসু মহাক্না বদনম তৌবীরি। ফুবীরিবা নুপী অদুগী নুপাদা লৈকাইগী মীওইশিংনা পাউ পীখি, নুপা লাক্লগা লৈকাইগী মীশিংগা লোয়ননা Hospital দা পুখৎখি, মদুগী চৈনুংদা য়ুম মৈ চাক্লকখিবনি। চাক্লীবা য়ুম অদু Wangkhem Bazar গী লমদা লৈবা য়ুমনি, মপামগী য়ুমদগী 1/2 km অমরোম লাপ্পবা মফমনি। চাক্লিবা য়ুম অদু কন্নানবা খুলনা Fire station দা পাউ পিবনি, লাক্লিবা Fire service অমসুং পুলিসকী মীওইশিংনা য়ুম অদুগী মতাংদা মরম চাবা ফুন্না অমসুং করি করি চাকখ্রে হায়বা লোইনা খংলমগনি। ৱাফম অমনা হায়রিবা নুপী Ithoi অসি মপুরোইবনা কায়নদুনা হাল্লকপীসু নত্তে, মহাক থৌবাল মোইজিংদা য়ুম পল্লীবনি মপুরোইবগী লৌ-ইঙ্খোল উদুনা চরিবনি। মচাশিংগী মতাংদা পলক্লিবা ৱাফমদা অরানবা খরা থেংনরে মদুদি মচা নুপা অহাল অদু মৌ থিরে, য়াইম্না ক্লাস টুয়েল্ফ একজাম পীরিবনি, অহুমশুবা অদুনা ক্লাস টেন তম্লীবনি। লোইননা মরাইবক থিরবনি হায়রিবা নুপী Ithoi অসি পানদুকানসু ফম্বীনি হায়বসি অরানবা শেমজিন শাজিনবা মীনুংশিং পোক্লবা হায়জিনবনি। মরম অসিনা খুলবু বদনম তৌরিবা অসি অথুবা মতমদা লাক্লগা শেংদোক্কদবনি অমসুং মাইকৈ অনিমক ঐখোয়না হায়জরকপা মতমদা লাক্কবা থোক্লদি লাক্কিবা মীওই অদু খুল অসিদা চংবা অমদি লৈবা য়ারোই। মসিদা অতোপ্পা লূপশিংনা অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংনা খুৎ থিজিনবীরক্কনু। খুলগী ৱাথোকতি খুলনা লোইশিনগনি।

শেংদোকচরিবা:-
(Md. Alimuddin)
Member
8/6-Wangkhem G.P.
Thoubal C.D Block
and
Md. Najib Ali
Member, Ward No. 5
Wangkhem Gram Panchayat

NT/59004/15

Vehicle Lost

I have lost my Vehicle Activa white in colour bearing Regd. No. MN01C/4161 Engine No. JF50E70103281, Chassis No. ME4JF OIC D7 103638 on 23/2/2014 at around 8.30 a.m. from my residence gate.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

N. Lucky
Thangmeiband Sinam Leikai
9774691871

NT/59003/15

থৌনিরোল লাইশু ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : অঙোমচা ৱাংখেম ইবোচৌবা মীতৈ, কাইরং মনিং লৈকাইদা লৈবনা ইবা থৌনিরোল লাইশু কৌবা পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লীবা থৌরমগী মরম তাকপা লাইরিক অমা মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি, কৈশামপাৎতা ইন্টরনেসনেল বার এসোসিয়েসন, লন্দনগী মেম্বর শরাংথেম মনাওবীনা হৌনবী মতুংইন্না ফোঙখ্রে।

থৌরমদুদা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরিগী চিফ লাইব্রেরিয়ান এলাংবম লতাকিশ্বরনা থৌরম মপু অমদি উমংলাই কনবা অপুনবা লুপ (উকল) গী প্রেসিদেন্ট সি ঐচ নবচন্দ্র মীতৈনা থৌরম মপু ওইখি।

গ্রাউন্দ শেমজিনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : থা অসিগী ১৯ দা এ আই সি সিগী ভাইস প্রেসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা মণিপুরদা লাক্তুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং কোদোমপোকপি গ্রাউন্দনা ৱা ঙাংদুনা মীখলগী ভোট খোমলগনি।

মসিগীদমক্তা মাংজৌননা ঙসিদগী ৱার ফুদিং দা গ্রাউন্দ অসিগী লেবেল্লিং শেম্বা হৌখ্রে। গ্রাউন্দ শেমজিনবা অদুদা মণিপুর সরকারগী এদুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা লাক্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখি। পানবা য়াবদি, রাহুল গান্ধীনা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ১ দা মফম অসিদা ৱা ঙাংগনি।

“খঙহঙ্ঙবা”

লোইতাং খুল্লেন অমসুং সন্দুমগী জগাদা মতম কুইনা লাই তিনগী ফত্তবা থবক লাই-তিন, হেল্লোই, ভুৎ শান্নবগীদমক খোইরোম কামেশ্বর মৈতৈ অমসুং মহাক্কী লোয়নবী খোইরোম ওংবী শ্যামরানী লৈমা লৈফম লোইতাং সন্দুম, মখোয় অনি অসি খুঙ্গংশিং অসিদা লৈবা অহল-লমন, ক্লব অমসুংমৈরাপাইপীগী মীয়াম্না ৱারক-ৱাতে তৌখ্রে। মীয়ামগী মমাংদা ফত্তবা থবক অসি মখোয়না তৌখিবনি হায়দুনা মতুংদা অমুক হন্না তৌজররোই হায়না মীয়ামদা লাল্লে হায়না হায়জখ্রে।

NT/58997/15

[illegible]
Comprehensive Girls' Hostel
Kwakeithel Bazar, Akham Leikai
ADMISSION OPEN
for Girl Students who are going to study Class XI & Class XII Science in the 2014-2015 session.
Under the Guidance of
Mrs. Y. (o) Ragini Devi
M.Sc. Zoology (Gold Medalist) M.Phil. B.Ed.,
Former HOD Biology, Herbert School
# 8415927257 / 9856154302

BIOSCIENCE
We Excel in Life Science
UGC/CSIR-JRF/NET,NE-SLET
NEET/AIPMT
45 Days Intensive Coaching. Class Starts 20th March 2014
Faculties
Salam Dayananda Singh
Gold Medalist
5 Times CSIR JRF/NET
More than 5 years of research exp
IIT Roorkee, IBSD Imphal
Contact: 9612677303, 9615343434
Asem Robinson Singh
Bronze Medalist
2 Times CSIR-NET, NE-SLET, GATE
3 years R&D industrial exp.
2 years as SRF JNCASR, Bangalore
2 years as JRF MU
Every year 33-40% questions are from Biotechnology, Molecular Biology, Genetics and Biochemistry.
We give that 35% to you !
NT58953/11-4 april
And other faculties with strong research experience.
Manipur Standard English School, Kakwa
Forms available at: Canchi Book Store MU Gate, Arun Variety Store, Singjamei, Price: Rs. 200/-
(We are specialized in Biotechnology, Molecular Biology, Genetics, Biochemistry for NEET/MBBS)

থাং তা তম্বীগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ : কংলৈ ইনাৎ থা তা সিন্দম শঙলেন, কোংপাল চনম লৈকাইনা শিন্দুনা শিনতান পুরেল লৈতানথেম হেরামোতকী পরিং মখাদা থাং তা তম্বীবা হৌরগনি।

তম্বীবা হৌগদৌরিবা অসি থা অসিগী ১৫ দগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ ১৫ নি চুপ্পা নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৭ তগী পুং ৮ ফাওবা থাং তাগী কোর্স অমা কংলৈ ইনাৎ থাং তা শিন্দম শঙলেনদা পাঙথোক্কনি। থাং তাদা শরুক য়াবীনিংবশিংনা মমল তিংদনা য়াওবা য়াগনি হায়রি।